## লান লেপ্পবা আপিল তৌখ্রে

কাবুল, সেপ্তেম্বর ০৯ (এজেন্সি) :
হৌখিবা শগোলশেল নুমিত্তা কাবুলদা শাথিরবা বোমগী এটেক চথদুনা অমেরিকান লান্মী অমা যাওনা যামদ্রবদা মীওই ১২ শিহনখিবা মতুংদা ৱাশিংটননা টালিবানগা ৱারী শান্নররোই হায়না য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা ত্বিট খরগী খুথাংদা লাউথোকখিবদগী চম্মনবা পোক্লবা অফঘানশিংনা নোংমাইজিং নুমিত্তা টালিবানদা যাম্না থুনা সীজফায়র অমা পুরকপগী ৱাফমদা যাদুনা য়ু এস অমসুং অফঘান গভর্নমেন্টগা ৱারী শান্নবা আপিল তৌখ্রে।

## ৱেবসাইট নিপান শীজিন্নবা থীংখ্রে

সিদনি, সেপ্তেম্বর ০৯ (এজেন্সি) :
চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তা ন্যু জিলেন্দগী মোস্ক অনীদা চথখিবা শাথিরবা এটেকশিংগী ফুটেজ হৌজিকসু মখা তানা উৎলিবা ৱেবসাইট ৮ শীজিন্নবা থিংনবা অষ্ট্রেলিয়ন গভর্নমেন্টনা ইন্টরনেট সর্ভিস প্রোভাইদরশিংদা ওর্দর তৌখ্রে হায়রি।

## প্রোটেষ্ট মতুংদা রসিয়াগী রুলিং পার্টি মোস্কোগী ইলেক্সন্দা হান্না লৈরম্বা সীট মশিংদগী হন্থনা ফংখ্রে



মোস্কো, সেপ্তেম্বর ০৯ (এজেন্সি) :
প্রসিদেন্ট ব্লদিমির পুটিন শৌগৎলিবা রসিয়াগী রুলিং য়ুনাইটেদ রসিয়া পার্টি মোস্কো পার্লিয়ামেন্টগী মীখলদা হান্না ফংলম্বা সীট মশিংদগী হন্থখ্রে হায়না নিংথৌকাবা নুমিত্তা রিয়া ন্যুজ এজেন্সিনা ফোঙদোকখ্রে। মীখলগী রিজল্টস অসিনা ওপোনেন্টশিংনা শীজিন্নখিবা টেক্টিকেল ভোটিং ষ্ট্রেটেজি মায় পাক্লে হায়বগী ইঙ্গৎ পী হায়রি।
চহী কয়ামুক্কী মনুংদা ওপোজিসন কেন্দিদেট কয়া যাওহন্দবনা মরম ওইদুনা রসিয়াগী কেপিটেল মোস্কোদা খ্বাইদগী চাওবা প্রোটেষ্ট কয়া উবা ফংখিবা মতুংদা পাঙথোকখিবা মীখল অদু মালেম পুম্বনা কুপ্না য়েংশিন্নখিবা মীখলশিংগী মনুংদা অমনি। লোকেল ওইজরবসু মোস্কোগী ইলেক্সন অদুদা মশক নাইবা ওপোজিসন পোলিটিসন অলেক্সি নভালনি অমসুং মহাক্কী মীচংশিংনা কুমজা ২০২১ দা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনল পার্লিয়ামেন্টরি ইলেক্সনগী মাঙওইননা য়ুনাইটেদ রসিয়াগী মায়োক্তা চঙশিন্নবগী খুদোংচাবা অমনি হায়না লৌরদুনা শরুক য়াখি।
সেন্ট্রেল ইলেক্সন কম্মিসন্না ওপোজিসন কেন্দিদেন্ট কয়াবু মখোয়বু তশেংনা শৌগৎপা ইলেক্তরশিংগী সিগনেচর মতিক চানা খোম্না ঙমদে হায়রদুনা মীখলদা যাওহন্দনবগী ৱারেপ লৌখিবা মতুং জুলাই থাগী ময়াই থংবা শরুক্তগী মোস্কো সিটিগী মরু ওইবা মফমশিংদা অকনবা প্রোটেষ্টশিং চথবা হৌরকখিবনি। নাভালনিগী মীচংশিং য়াওনা ইলেক্সন কম্মিসন্না মীখল লম্বা তৌবা য়াহনখিদ্রবা কেন্দিদেন্টশিং অদুনা থৌওং অদুবু মোস্কোগী পার্লিয়ামেন্টতা মখোয়বু মীহুৎশিং ওইনা থাগৎলকপা য়াহন্দনবা হোৎনবনি হায়না ফোঙদোকখি।
নাভালনিনা মহাক্কী সপোর্টরশিংদা রসিয়া পুম্বদা য়ুনাইটেদ রসিয়া মায়থিবা পীবা ঙম্বগী চান্স ৱাংনা লৈবা কেন্দিদেন্টশিংগীদমক ভোট পীনবা পাউতাক পীখি। হৌখিবা চহী ১০ রোম অসিদা মীয়াম্না পাম্নবা হন্থরক্লবা পার্টিদগী লাপ্না লৈনবা হোৎনরদুনা মীখল অদুদা য়ুনাইটেদ রসিয়াগী মীওই কয়া মোস্কো ইলেক্সনদা ইন্দেপেন্দেন্ট কেন্দিদেন্টশিং ওইনা লম্বা তৌখি।
রিয়া ন্যুজ এজেন্সিনা মপুং ফাবগা মান্নরবা ইলেক্সন দেতা পল্লদুনা নোংমাইজিং নুমিৎকী মীখল অদুদা য়ুনাইটেদ রসিয়াগী সীট মশিং পার্লিয়ামেন্টতা হান্না পার্টি অসিনা পায়রম্বা সীট মশিংগী শরুক অহুম থোকপগী অমা হন্থরগনি হায়খি।

## ইরাক্তা ইস্লামিক ষ্টেট মিলিটেন্ট ৮ হাৎখ্রে



বাঘদাদ, সেপ্তেম্বর ০৯ (এজেন্সি) :
য়ু এসনা লুচিংবা কোলিসনগী এয়রক্রাফটনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ইরাককী নিনেভেহ প্রোভিন্সতা চথখিবা এয়রষ্ট্রাইক অমদা ইস্লামিক ষ্টেট (আই এস) মিলিটেন্ট ৮ শিখ্রে অমদি সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা সলাহউদিন প্রোভিন্সতা আই এস এক্সট্রিমিষ্ট ৯ ফাখ্রে হায়না ইরাকি মিলিটরিনা ফোঙদোকখ্রে।
নিনেভেহগী ওপরেসন কম্মান্দনা পীরকপা ইন টলিজেন্সকী রিপোর্টশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা কোলিসনগী এয়রক্রাফটনা টাইগ্রিস তুরেলগী ইথৎ অমদা লৈবা আই এস পোজিসন অমদা এয়রষ্ট্রাইক চথখি। হৌৱি অস্লান কৌবা প্রোভিন্সিএল কেপিটেল মোসুলগী খা রোমদা কিলোমিটর ২০ লোম লাপ্না হম্মাম অল অলিল টাউনগা নক্লনা লৈবা ইথৎ অদুদা কোলিসনগী এয়রক্রাফটনা হৌখিবা মতম খরসিগী মনুংদা অহানবা ওইনা এয়রষ্ট্রাইক চথখিবনি হায়না জোইন্ট ওপসেন্স কম্মান্দ (জে ও সী)গী মিদিয়া ওফিসকী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি
জে ও সীগী ষ্টেটমেন্ট অদুগী মতুং ইন্না এয়রষ্ট্রাইক অদুদা এক্সট্রিমিষ্ট আই এস মিলিটেন্ট ৮ শিখি। ইন্টলিজেন্স রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না চথখিবা তোঙানবা ওপরেসন অমদা সলাহউদিনগী ওপরেসন্স কম্মান্দগী ফোর্স অমনা আই এস মিলিটেন্ট ৯ ফাখি। মখোয়না প্রোভিন্সিএল কাউন্সিলগী বিল্ডিং অমসুং সিক্যুরিটি ফোর্সশিংদা এটেক কয়া চথনবা থৌরাংলমখি হায়না জে ও সীগী তোঙানবা ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি।

## লেবাননগী হেজবোল্লাহনা ইজরেলগী ড্রোন কাপথখ্রে



বৈরুট, সেপ্তেম্বর ০৯ (এজেন্সি) :
ইজরেলগী ড্রোন অমা লেবাননগী খা থংবা শরুক্তা নিংথৌকাবা নুমিত্তা কাপথখি হায়না হেজবোল্লাহনা ক্লেম তৌখ্রে। গ্রুপ অসিগী লিদরনা লেবানিজ এয়র স্পেসতা চঙলকপা ইজরেলি ড্রোনশিং কাপথরগনি হায়না লাউথোকখিবা চয়োল অমরোমগী মতুংদা লৈরগা ইরান্না শৌগৎপা গ্রুপ অসিগা ইজরেলগী মরক্তা ইনৌ নৌনা উংখৎনবা হেনগৎলকখিবগা লোয়নন্না হেজবোল্লাহগী মায়কৈদগী ইজরেলগী ড্রোন কাপথরে হায়না ক্লেম তৌরকখিবনি।
গ্রুপ অসিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা ড্রোন অদু হৌজিক হেজবোল্লাহগী খুত্তা লৈরে হায়না ফোঙদোকখি। অমরোমদা, ইজরেলি মিলিটরি ষ্টেটমেন্ট অমনা ড্রোন ময়ামগী মরক্তগী অমা রুটিন ওপরেসন পাঙথোক্লিঙৈদা লেবাননগী খাং থংবা শরুক্তা তাশিনখ্রে হায়খি।
ষ্টেটমেন্ট অদুনা ড্রোন অদু করম্না কায়খিবনো হায়বগী মতাংদা ৱাফম অমত্তা পনখিদে। ইজরেলি মিলিটরি স্পোক্সপর্সন অমনা মদু ইচম চম্বা ড্রোন অমনি হায়না ফোঙদোকখি।
হেজবোল্লাহনা হায়খি মদুদি, গ্রুপ অসিগী ফাইটরশিংনা মতিক চাবা খুৎলায়শিং শীজিন্নদুনা ড্রোন অদু লেবাননগী খা থংবা টাউন রামিয়াগী চিদাইনা কাপথখি।
ইজরেল-লেবানন বোর্দরদগী পাউ পীরকখিবা হেজবোল্লাহগী অল-মনার টেলিভিজনগী করেষ্টপোন্দেন্ট অমগী মতুং ইন্না ড্রোন অদু লেবাননগী এয়র স্পেসতা মিনিট ৫ রোম চঙশিল্লকখিবা মতুংদা কাপথখিবনি। ইজরেলি মিলিটরিগী তোঙানবা ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি মদুদি, ইরানগী রেভোল্যুসনরি গার্দকী মপান্দা লৈবা মশা অমা ওইরিবা কুদস ফোর্সকী কম্মান্দ মখাদা ওপরেট তৌরিবা সিয়াইট মিলিস্যাশিংনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা সিরিয়াদগী ইজরেলদা রোকেট কয়ামরুক কাপশিল্লকখি।

## ইরানন্না এদভান্স সেন্ট্রিফ্যুজশিং শীজিন্নদুনা য়ুরেনিয়ম এনরিচমেন্ট হৌনবা হোৎনরে : আই এ ঈ এ

ভিয়েনা, সেপ্তেম্বর ০৯ (এজেন্সি) :
মালেমগী পৱারশিংগা খুৎয়েক পীনখিবা ন্যুক্লিয়র দিলনা ইরানন্না এদভান্স সেন্ট্রিফ্যুজশিং শীজিন্নরগা য়ুরেনিয়ম এনরিচমেন্ট তৌবদা অথিংবা থম্বা লৈদুনসু লৈবাক অসিনা অসিগুম্বা মখলগী অহেনবা সেন্ট্রিফ্যুজ কয়া ইন্সটোল তৌবা হৌখিবগা লোয়নন্না য়ুরেনিয়ম এনরিচমেন্টকী চাং হেনগৎনবগী মায়কৈদা চঙশিনখ্রে হায়না ইন্টরনেসল এটোমিক ইনর্জি এজেন্সিনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।




কুমজা ২০১৫গী দিল অদুনা ইরানবু লৈবাক অসিগী ফর্ষ্ট-জেনরেসন আই আর -১ সেন্ট্রিফ্যুজ মেছিন ৫,০০০না এনরিচ য়ুরেনিয়ম পুথোকপা য়াহল্লিবনি। লৈবাক অসিনা রিছাচকীদমক এদভান্স সেন্ট্রিফ্যুজ খরা শীজিন্নগে হায়রবসু এনরিচ য়ুরেনিয়ম পৈশিন্নবা হোৎনবদা দিল অদুনা অথিংবা থমখি। তৌইগুম্বসুং ৱাশিংটন্না হৌখিবা চহীগী মেদা দিল অদুদগী ৱিথদ্রো তৌবগা লোয়নন্না টেহরানগী মথক্তা য়ু এসকী অথিংবা কয়া থমজিনখিবগী পাউখুম ওইনা ইরানন্না লৈবাক অসিগী এটোমিক এক্তিভিটিশিংদা পেক্ট অদুনা থমখিবা পনখৈশিং থেংখাং নাইনা খোঙ্গাওনরকখিবনি।
হৌখিবা চহীদা ইস্লামিক রিপব্লিক অসিনা রিছাচ অমসুং দিভলপমেন্টদা দিল অদুনা থমখিবা পনখৈশিং থুগায়বা হৌরগনি হায়না লাউথোকখ্রবা মতুংদা লৈবাক অসিনা এদভান্স সেন্ট্রিফ্যুজশিং শীজিন্ননবা হোৎনরকখিবনি।

## টোকিয়োদা টাইফুন্না মীওই ১ শিহনখ্রে, পাৱর ট্রান্সপোর্ট ফেল ওইখ্রে



টোকিয়ো, সেপ্তেম্বর ০৯ (এজেন্সি) :
হৌখিবা চহী খরা অসিদা জপান্দা শীৎচিল্লকখিবা খ্বাইদগী মপাঙ্গল লৈরবা টাইফুনশিংগী মনুংদা অমা নিংথৌকাবা নুমিত্তা কেপিটেল টোকিয়োগী নোংপোক থংবা শরুক্তা মমাংগী রেকোর্দশিং থুগায়খিবা অকনবা নুংশিৎশিংগা লোয়নন্না শাফু কন্না শীৎচিল্লকখিবদা নুপী অমা শিখ্রে অমসুং নোংকন্না চুহন্দুনা বিল্ডিং কয়া মাঙ তাকহনখ্রে অমসুং চৎথোক-চৎশিন্দা অকায়বা থোকহনখ্রে।
টাইফুন অদুনা মরম ওইদুনা ফ্লাইট ১৬০ হেন্না কেন্সেল তৌখি অমসুং ট্রেন লাইন কয়া পুং কয়া থীংজিনখি। মীওই মিলিয়ন ৩৬ লোম লৈবা টোকিয়োগী মফম অমদা অয়ুক্কী মতমদা চৎথোক-চৎশিন তৌরিবা মীওই মিলিয়ন কয়াদা টাইফুন অদুনা চাওনা অকায়বা থোকহনখিবগা লোয়নন্না সিটি অসিগী ওথোরিটিশিংনা মীয়ামদা মপান্দা থোক্তনবা আপিল তৌখি।
লাও নুপী অমগী মমিং লৌদুনা থোনখিবা টাইফুন ফক্সাই হায়না খঙনবা মপাঙ্গল লৈরবা টাইফুন অদু নোংঙাল্লমদাইগী মতমদা চিবা সিটিগী মনাক নকপা সমুদ্র খোংবান্দা পুংদা কিলোমিটর ২০৭ কী খোঙজেল য়ৌবা নুংশিৎশিংগা লোয়নন্না ফুজিল্লকখিবনি। মদু হৌজিক ফাওবগী রেকোর্দতা খ্বাইদগী মপাঙ্গল লৈবা টাইফুননি হায়না নেসনল ব্রোদকাষ্টরনা এন ঐচ কেনা ফোঙদোকখি।
তৌইগুম্বসুং অয়ুক খরা থেংজিল্লকপদা খোঙজেল য়াংলবা নোংলৈ নুংশিৎ অদু সমুদ্ররোমদা অমুক মমায় ওনখি। অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ অদু শীৎলকখিবা মতমদা টোকিয়োগী লম্বী অমদা চত্তুনা লৈরম্বা মশাগী চহী ৫০ হেল্লবী নুপী অমা অশোক -অপন থোকপদগী হোস্পিটালদা পুখৎলবা মতুংদা শিখি। মনাক নকপা সিক্যুরিটি কেমেরাগী ফুটেজনা মহাক নুংশিৎকী অকনবা শাফুনা হুমদুনা বিল্ডিং অমদা কন্না য়ৈশিনখিবগী শক্তম উৎখি হায়না নেসনল ব্রোদকাষ্টর এন ঐচ কেনা ফোঙদোকখি।
চহী ২০ হেল্লবী অতোপ্পা নুপী অমনা ইষ্ট টোকিয়োগী সচিহরাদা লৈবা মহাক্কী ময়ুমদগী রেস্ক্যু তৌখি। মহাক মেটল পোল অমা তাশিনবদগী ফিভম থিনা শোকখিবনি। মফম খরদা লেন্দস্লাইদ থোকপগা লোয়নন্না থোং অমসু ঈশিংনা চেন্থখি হায়রি।

## স্কুল মহৈরোয়শিংনা হ্যুমেন চেন শেমদুনা প্রোটেষ্টরশিং শৌগৎখ্রে

হোং কোং, সেপ্তেম্বর ০৯ (এজেন্সি) :
হৌখিবা চয়োলগী অরোইবা শরুক্তা চাইনানা লৈঙাক্লিবা হোং কোং সিটিদা এন্টি-গভর্নমেন্ট প্রোটেষ্টরশিংনা পুলিসকা কন্না মুক্লখ্রবা মতুং নিংথৌকাবা নুমিত্তা মাস্ক উপ্পা কয়া য়াওনা য়ুনিফোর্ম শেৎপা স্কুল মহৈরোয় চা কয়ানা প্রোটেষ্টরশিং শৌগত্তুনা সিটি অদুগী মফম কয়াদা হ্যুমেন চেনশিং শেমখ্রে।
নোংমাইজিং নুমিত্তা পুলিসকা কন্না মুক্লবদগী থিংজিল্লুরবা মতুংদা মেট্রো ষ্টেসন কয়া অমুক হন্না হাংদোকখিবগা মতুংদা এসিয়াগী ফাইনান্সিএল হব অদুদা মখা তানা টেন্সন লৈবগী ফিভম উখি। নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ুক অঙনবদা স্কুল মতম হৌদ্রিঙৈগী মাঙওইননা মহৈরোয়শিং অমসুং অলম্নাইনা অমগা অমগা খুৎশম্ননা পরেং শেমদুনা হোং কোংগী মীয়ামদা প্রোটেষ্ট মুভমেন্ট অদুবু মখা তানা শৌগৎনবা খোল্লাও কয়া লাউদুনা চৎখি।



স্কুল তম্লিবা মহৈরোয়শিংনা হ্যুমেন চেন শেল্লক্লিবসিনা প্রোটেষ্ট অসি ঙসিগী হোং কোংগী সোসাইটিদা কদায় ফাওবা মরা তাশিনখিবগী হায়বসি উৎলি হায়না সিটি অদুগী কৌলুন দিষ্ট্রিক্ততা লৈবা ৱাহ য়ান কোলেজগী এলম্নস অমা ওইরিবা অলান লিয়োংনা ফোঙদোকখি।
হৌজিক্তি হোং কোংগী ওথোরিটিশিংনা ৱিথদ্রো তৌখ্রবা এক্সট্রাদিসন বিল অমগী মতাংদা থা অহুম লিশাং শীৎনা চথরকখিবা প্রোটেষ্টশিং গভর্নমেন্টকী মায়োক্তা হেন্না চাওবা ইহৌ অমা ওল্লকখিবগা লোয়নন্না প্রোটেষ্টরশিংনা সিটি অদুদা দিমোক্রেসি মপুং ফানা চৎনহন্নবা তকশিনখি।
হোং কোং পুলিসনা ফোঙদোকখিবদা, হৌখিবা নুমিৎ হুম্নি অসিদা মখোয়না চহী ১৪ দগীনা ৬৩ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নুপা ১২৫ অমসুং নুপী ৩২ য়াওনা পুন্না মীওই ১৫৭ ফাগত্তুনা হৌজিক ফাওবদা ইরাং অদুদা ফাখিবা প্রোটেষ্টরশিংগী মশিং ১৩০০ হেল্লে।
প্রোটেষ্টশিং অদুনা সিটি অদুদা টুরিষ্টশিং লাকপা য়াহন্দবদগী অমসুং মালেমগী মীয়াম্না খ্বাইদগী পাম্নরবা সোপ্পিং দেষ্টিনেসনশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা মফম অদুগী রিটেল সেলশিংদা অকায়বা পীবনা মরম ওইদুনা হান্নগী বৃটিশ কোলোনি অদু হৌজিক চহী ১০ মুক্কী মনুংদা অহানবা ওইনা রিসেসনগী ফিভম মায়োক্লরে হায়রি। টুরিষ্টশিং থুংবগী চাং হৌখিবা চহীগা চাংদম্নবদা হন্দক্কী ওগষ্ট থাদা চাদা ৪০ হন্থখি।

## ফেসবুক অমদি গুগল মীখলদা খুৎ থিংজিনবগী মরাল শীখ্রে




মোস্কো, সেপ্তেম্বর ০৯ (এজেন্সি) :
ফেসবুক অমদি গুগল রিছোর্সশিংদা ফোঙলিবা মেটরেল কয়া রসিয়াগী ইন্টর্নেল এফ্যেয়র্সতা খুৎ থিংজিনবনি হায়না খন্নবা য়াগনি হায়না রসিয়ান সেন্ট্রেল ইলেক্সন কম্মিসনগী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।
নোংমাইজিং নুমিৎতা রসিয়াগী মফম কয়াদা ম্যুনিসিপাল অমসুং রিজনেল ইলেক্সনশিং পাঙথোকখি। সিটি পার্লিয়ামেন্টশিং খন্নবা এদমিনিষ্ট্রেটিব সেন্টরশিং অমসুং ম্যুনিসিপালিটিশিংগী মকোকশিং খন্নবগী রিজনেল কেপিটেল ৩গী ওইবা মীখলশিং মফম ২২দা পাঙথোকখিবনি। ফেসবুক অমসুং গুগলগী প্লেটফোর্মশিংদা ফোঙলিবা মেটরেলশিং অদুনা মীখলদা ভোট থাদগদৌরিবা মীওই অমদা হকথেংননা ইথিল পীবা য়াই হায়না রসিয়ান সেন্ট্রেল ইলেক্সন কম্মিসনগী দিপ্যুতি চেয়ারমেন নিকোলাইনা ফোঙদোকখি।
অসুম্না ইথিল পীবগী মওং লৈবা তারবদি মদু রসিয়াগী ইন্টর্নেল এফ্যেয়র্সতা খুৎ থিংজিনবনি হায়না লৌফম থোকই হায়না মহাক্না মখা তানা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংলুনা হায়খি। মীখলগী নুমিৎ অদুদা রসিয়াগী কম্ম্যুনিকেসন ৱাটচদোক রোস্কোমনাটজোরনা য়ু এসকী ইন্টর্নেট জাইন্টশিং গুগল, ফেসবুক অমসুং য়ুট্যুবনা মখোয়গী প্লেটফোর্মশিংদা পোলিটিকেলগী ইথিল য়াওবা এদভর্টিসজমেন্ট কয়া ফোঙখি হায়রদুনা থৌওং অদু রসিয়াগী ইলেক্টোরেল প্রোসিজরশিংদা মপানদগী খুৎ থিংজিল্লকপগা মান্নে হায়না ফোঙদোকখিবনি।
মীখলগী নুমিৎ অদুদা তোঙান-তোঙানবা মিদিয়া প্লেটফোর্মশিং মোনিটর তৌরবা মতুংদা গুগলগী সর্স ইঞ্জিন, ফেসবুক সোসল মিদিয়া প্লেটফোর্ম অমসুং য়ুট্যুবকী ভিদিও হোষ্টিং সার্ভিসতা পোলিটিকেল এদভর্টিজমেন্ট কয়া য়াওখি হায়না লেপ্লে হায়না রোস্কোমনাটজোরনা মখা তাখি।

## বৃটিশ এয়রৱেজনা ফ্লাইট চাদা ১০০ রোম কেন্সেল তৌখ্রে

লন্দন, সেপ্তেম্বর ০৯ (এজেন্সি) :
পাইলোটশিংনা পেগী মতাংদা নুমিৎ নিনি চুপ্না ষ্ট্রাইক অমা পাঙথোকখিবগা লোয়নন্না বৃটিশ এয়রৱেজ (বি এ)না এয়রলাইন অসিগী সেদ্যুল ফ্লাইটশিংগী চাদা ১০০ রোম তঙাইফদনা কেন্সেল তৌখ্রে হায়না য়ু কেগী ফ্লেগ করিয়র অসিনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।
এয়রলাইন অদুনা নুমিৎ খুদিংগী ফ্লাইট ৮৫০ রোম ওপরেট তৌবনা ইন্দষ্ট্রিগী এক্সন অদুনা নুমিৎ খুদিংগী ওইনা পাবদা পেসেঞ্জর ১৪৫,০০০ রোমদা শোকহনগনি হায়না ইফে ন্যুজগী রিপোর্টনা হায়খি।
এয়রলাইন অদুনা পেসেঞ্জরশিংদা ফ্লাইট কেন্সেল তৌবগী ফিভম লৈরবদি এয়র পোর্ট অদুদা চত্তনবা চেকশিন্না খঙহনখিবগা লোয়নন্না ষ্ট্রাইক অদুনা ন্যু য়োর্ক, দেল্লি, হোং কোং অমসুং জোহান্নসবর্গতা পাইগদবা ফ্লাইট পুম্নমক শোকহনখি।
বি এ এল পি এগী ষ্ট্রাইক এক্সন অদুনা পেসেঞ্জরশিংবু খোইরাং খোইশাওহল্লিবদু ঐখোয়না খঙই। পেগী য়েৎনবগী মতাংদা থা কয়া চুপ্না ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনরকখিবা মতুংদা হৌজিক অসিগুম্বা ফিভম অমদা লাকপসিদা ঐখোয়না অদুক্কী মতিক নুংঙাইতবা পোকই হায়না বৃটিশ এয়রৱেজনা মসিগী ৱেবসাইটতা ফোঙদোকখি।
বি এনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, বি এ এল পি এগী মায়কৈদগী করম্বা পাইলোটশিংনা ষ্ট্রাইক তৌগনি হায়বগী অকুপ্পশিং খঙহল্লকখিদবনা ঐখোয়না পাইলোট কয়া য়াম্না লাক্কনি নৎত্রগা মখোয়না করম করম্বা এয়রক্রাফট পাইবা য়াগদগে হায়বা খঙননবগী পাম্বৈ অমত্তা ঐখোয়দা লৈতবনা মরম ওইদুনা ঐখোয়না এয়রলাইন্স অসিগী ফ্লাইট চাদা ১০০ রোম কেন্সেল তৌনবা ৱারেপ লৌখিবনি।
ষ্ট্রাইক অদুগা মরী লৈননা বি এনা লৌরক্লিবা খোঙথাং অদুনা মরম ওইদুনা ট্রাভেল্লরশিংদা রিফন্দ মপুং ফানা তৌনবা, তোঙান তোঙানবা করিয়রশিংগী ফ্লাইটশিং নৎত্রগা তোঙানবা নুমিৎ অমদা পাইনবগী ওপসন ওফর তৌখি। ইশ্যু অদু মখা তানা লৈখায় তান্নদবগী ফিভম লৈরবদি বৃটিশ এয়রলাইন্স পাইলোটস এসোসিএসন (বি এ এল পি এ)না পেগী মতাংদা নুমিৎ নিনি ষ্ট্রাইক তৌখ্রবা মতুংদা সেপ্তেম্বর ২৭ তা অতোপ্পা ইন্দষ্ট্রিএল এক্সন চথনবসু ৱারেপ লৌখি।

